Refreshingly Reliable

হুইয়েন লানপাও

# হুইয়েন লানপাও



গোৱাদা পাঙথোক-পা ওল ইন্দিয়া মল্টি লিঙ্গুএল প্লে, দান্স এন্দ ম্যুজিক ফেষ্টিবেলদা এক্টর নর্মদাদা নেসনল কোনকান মধুরি এৱার্দ ২০১৮ পীবা

লামায় ২



খূদক-খূদক্কী ওইনা লৌফমদা তিল তাবা খঙদোকপগা লোয়ননা তিলহাৎ হীদাক কাপথোক্লবগী পান্দমদা মোবাইল প্লান্ট হেল্থ ক্লিনিক লোঞ্চ তৌবা

লামায় ১



পেলেস কম্পাউন্দদা চহী চুপ্পা চথরকপা মণিপুর কলচরেল ইন্টিগ্রেসন কনফ-রেন্সগী গোল্ডেন জুবিলী সেলেব্রেসন লোইশিনবা থৌরমগী শক্তম

লামায় ৩



বি জে পিগী লুচিংবা ওইরম্বা লৈখিদ্রবা এস মধুমঙ্গোলগী মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকপা পেন্টিং কম্পিটি-সনগী মনা য়েন্থোকপা

লামায় ৩

Vol. 42, Issue No.210 | লৈবাকপোকপা, মেরা ১৪নি পানবা, | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, October 23, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৭৭.০৪

দিজল : লিটরদা লুপা ৭০.৪১

## মোরেদা রোকেট বোম অমা লৈরন্লে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২২ : মোরে কৈথেল মনুং নেসনল হায়ৱে ১০২দা লৈবা থোং অমগী মনাক্তা খামদুনা লৈবা টেক্কর অমগী মখাদা পোকখায়দ্রিবা রোকেট লোঞ্চর বোম অমা লৈরন্লে। বোম অদু ঙসি অয়ুক পুং ৬.৩০ রোম তাবদা লম্বী চৎপা মীওই খরনা থেংনরকপনি। তুংদা পুলিসনা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## লাইরিক ফোঙলগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২২ : প্রোগ্রেসিব রাইটর্স এসোসিএসনগী হান্নগী প্রসিদেন্ট জে কে লুৱাংবা ইবা লমকোই ৱারী *হোচীমিনগী মঙালদা ঙাওজরই* হায়না কৌবা লাইরিক অমা থা অসিগী ২৮গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী প্রসিদেন্ট ডো. আই এস কাংজমনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা ফোঙলগনি। লাইরিক অসিগী মরমদা সী ৱেবসকী প্রসিদেন্ট সলাম তোম্বনা ৱা ঙাংগনি। প্রো. এম সী অরুন, পি দব্লিয়ু এগী প্রসিদেন্ট এল রামেশচন্দ্রনা মথংশিংনা গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং প্রসিদেন্ট ওইগনি হায়রি।

## HL POLL

Q : CBI gi Special Director booked toubana agency ashida meeyamgi thajaba manglagani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Manipur Police ki personnel singna state ashida lagao sannaba thingba ngamgani haina khanbra?

Yes 09% No 91%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

## অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৭.৮৫ °C | ১৫.৮৯ °C |
| চান্দেল | ৩৩.২২ °C | ১৫.৮২ °C |
| সীসীপুর | ৩১.২১ °C | ১৫.৯৫ °C |
| ইম্ফাল | ৩১.৮৮ °C | ১৪.৩২ °C |
| সেনাপতি | ২৭.৮২ °C | ১২.২৯ °C |
| তমেংলোং | ২৪.৫৪ °C | ১৫.১৪ °C |
| থৌবাল | ২৯.১৪ °C | ১৫.৬৪ °C |
| উখ্রুল | ২২.৯৬ °C | ১১.৮৭ °C |
| মণিপুর | ৩৩.২২ °C | ১১.৮৭ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০৪ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.১৬

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৪১

দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 84.548797 |
| US Dollar | 73.508425 |
| British Pound | 95.733946 |
| Australian Dollar | 52.248818 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.588994 |
| Japanese Yen | 0.651528 |
| Malaysian Ringgit | 17.678091 |
| Australian Dollar | 52.248818 |
| Singapore Dollar | 53.316671 |
| South Korean Won | 0.064975 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.602247 |
| Thai Baht | 2.243721 |
| Myanmar Kyat | 0.04650 |
| Bangladesh Taka | 0.87759 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 32406.42 |
| Mumbai | – | Rs 33422.46 |
| Delhi | – | Rs 33101.60 |
| Kolkata | – | Rs 33465.24 |

## অস! লোইরেহে!

ঐতনি সুম্না লাউথোকপা ঙম্বা...!



সারবু মথংগী মীখলদা মীরেপ ওইখিগে খনবীরিব্রা...!

# লৈঙাক্লা অফবা থবক ময়াম তৌরকপদা মীওই খরদি প্রোক-প্রোক চাক্লে : সী এম

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২২ (ঐচ এন এস): ষ্টেট লৈঙাক্লা মীয়ামগীদমক অফবা থবক ময়াম তৌরকপসিদা মীওই খরদি খোইরাংবনা প্রোক-প্রোক চাক্লে হায়না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) হৈঙাং মন্দলনা শীন্দুনা ঙসি লুৱাংশংবম এন আই দি এস য়ু কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ফবা সী এমশিংগী মনুংদা অহুমশুবা তারকখ্রবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু তরাম্না ওকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা মহাক্না হায়খি, মণিপুরদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগীদমক অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা থবক থৌরাং কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলক্লি। খুন্নাই অসিদা থোং মান্ননা চাউখৎপা পুরক্লবগীদমক লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লি। চীং-তম থোং মান্ননা চাউখৎপা অমদি নুংশিনবা পুরক্লবা মায়কৈদা লাক্লি। ষ্টেট লৈঙাক্লা মীয়ামগা চৎমিন্নদুনা পায়খৎলক্লিবা অফবা থবক থৌরাং কয়া অসিদা প্রোক-প্রোক চাক্তুনা লৈরবা মীওই কয়ানা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লি। অদুবু, অৱাই অখুম তৌনবা পামদে। থবক ওইনা অদুমক উৎলক্কনি। মীয়ামগীদমক লেমহৌরিবা পূন্সিগী শরুক খরা অসি কথোক্লগনি।

হন্দক অফবা সী এমগী মনা ফংলক্লিবা অসি মীয়ামগী মপান্ননি। তাইবং শেন্বা



মপূনা থৌজানবীদুনা লাকখিবা ঙাক্তনি। লৈঙাক অসিনা লমদম অসিগী শোথরবা মীওইশিংবু খুন্নাইগী মান্নবা থাক্তা পুখৎনবা চঙশিল্লি। লায়েংবা ঙমজদবা কয়া লেম্না লায়েংবগী খূদোংচাবা ফংলে। লায়েংগী তেংবাংশিং ফংলকপা অসিনা লায়েংবা ঙম্লমদবা কয়া লায়েংদুনা হরাও-মীনোক তমজবা ফংলে। শেল লৈতে হায়দুনা ফমুংদা অৱাবা খাঙদুনা লায়েংদনা লৈরম্বা কয়া ঙসিদি চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং লাকপদগী লায়েংবা ফংখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অয়ুশমান ভারত হায়না লায়েংবদা লুপা লাখ ৫ ফাওবগী মতেং পাংবা স্কিম অমা অমুক পায়খৎলক্লি। মসিনা লায়েংবগী লম্দা য়াম্না মতেং ওইরে। য়ুম শারগা থোং ফাওবা পানবা ঙমদবা কয়া অমসু লৈরম্মী। লায়রবনা খম থেংলবা মীগী মশীং য়াম্না লৈবা লমদম অসিদা লৈঙাক অসিনা অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা থবকশিং পায়খৎলকপনি।

কনা লৈজদ্রবনি, শোল্লবনি হায়না খঞ্জদুনা লৈজবশিং অকনবলক্তা চিংখৎ-কনি। থোং মান্নবা খুন্নাই অমা পুরক্লবা লৈঙাক্লা হোৎনগনি। মশানা মশাবু থবক পীজনবগীদমক নহা ৩০০ হেনবদা ষ্টার্ট অপকী মখাদা শেন্থং ফংহনখ্রে। মখা তানা ষ্টার্ট অপকী এপ্লিকেসন কৌবদা মীওই ৩০০০গী মথক্তা চে পীশিল্লক্লে। লাক্কদৌরিবা মীখলগী মাংওইননা ষ্টার্ট অপকী শেন্থং লৌনবা চে থারক্লিবশিংদা খূদোংচাবা ফংহন্নবা হোৎনগনি।

লোক্তাক্কা নক্ননা লৈবা ফুমদিনা কুপশিল্লগা লৌ উবসু য়াদবা, ঈশিংসু লৈতবা পাক্লবা মফম অমা লৈবা থেংনরকপদগী মরী লৈনবা ওফিসল কৌদুনা শেংবা হৌরে। এল দি এগী মেছিনশিং শীজিন্নদুনা ফুমদিশিং কোথোক্লে। হৌজিক চাওরাক্লা হেক্টর ৫,৮০০ রোম শেংদোকপা হৌরকপগা লোয়ননা মফম অসিদা ঙা য়োক্লবগী থৌরাং লৌখৎলগনি। ঙমী ৮০০ লোমদা লোন পীথরগা ঙা য়োকহল্লগনি। ষ্টেট অসিদা পুথোক্লিবা ঙাগী পোথোক অসি ষ্টেট অসিগী চাবা কোন্নদবা মরম্না মপান্দগী য়াম্না পুশিল্লক্লি। চহী ১ দা লুপা ক্রোর ৪০০ রোমগী ঙা মপান্দগী পুশিল্লক্লি। উন য়োম্লগা পুশিল্লক্লিবা ঙাশিং অসি পৎথরবসু লমদমসিগী মীয়াম্না অদুমক চানরি। কুমজা ২০২০ গী মতুংদগীদি ষ্টেট অসিদা মপান্দগী ঙা পুশিল্লক্তনা ষ্টেটসিগী ঙাগী পোথোক্লা কোন্নজবা ঙম্নবা হোৎনরি। ষ্টেট অসিদা ঙা য়োকপা য়াবা ঈশিংগী শরুক য়াম্না লৈ। মফমশিং অসিদা ঙা নীংথিনা য়োক্তুনা পোথোক হেনগৎহনবা য়াগনি।

লৈঙাক্লা চীং-তম নুংশি চানবগী মরী অদু চেৎনা থমদুনা চাউখৎ লম্বীদা খোঙজেল য়াঙহন্নবা মীৎয়েং থম্মী। ৱাখল্লোন অসিগী মখাদা চীংদা চৎসি অমদি খুঙ্গংদা চৎসি হায়বা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# নাগামপালদা পোকখায়খিবা বোম অদুগী মপূ চোংথোরক্ত্রি

## 'ইম্ফাল সিটি মনুংদা সী সী টি ভি ওপরেট তৌরে'

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২২ (ঐচ এন এস): সিটি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা নাগামপাল ফৌগৈশংবম মপাদা বোম পোকখায়হন্দুনা এটেক চথুরকপদা সী আর পি এফকী পর্সনেল অমা হাৎখিবা অমসুং অতোপ্পা অমনা শোকহনখিবা থৌদোক অদুগী বোম মপূ ঙসি ফাওবা চোংথোরক্ত্রি।

ইনফোর্মেসন কম্মিস্নর অনী ৱাশক লৌরবা তুংদা পাউমীশিংগা ৱারী শানবদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, নহানমখৈদি অসিগুম্বা মখলগী বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিং অসি ক্লেম তৌরকপা লৈখি। অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি কনামত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি। নাগামপাল ফৌগৈশংবম মপাদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু কনানা চথুবনো হায়বা য়াম্না কুপ্পা য়েংশিল্লি। মৈ মম্বনা মরম ওইরদুনা সী সী টি ভি কেমেরাদা তারিবা চিংননিংঙাই ওইবা গাড়ী মচা অদুগী নম্বর নীংথিনা খঙবা ঙমদ্রি। হায়রিবা গাড়ী মচা অদু পুলিসনা ফাননবা হোৎনরি। গাড়ী অদুদগী বোম অদু লংশিল্লম্ব্রা নৎত্রগা কমদৌনা বোম অদু পোকখায়খিবনো হায়বা য়াম্না কন্না থিজিল্লি।

মহাক্না হায়খি, ইম্ফাল সিটি মনুংদা থোকপা থৌদোক ৱাথোকশিং নীংথিনা য়েংশিনবা য়াননবা মরুওইবা মফম কয়ামরুমদা ক্লোজ সর্কিট টেলিভিজন (সী সী টি ভি) ওপরেট তৌরে। পুলিসতা কম্মান্দ সেন্টর লৈরে, খূদিংমক উবা ঙম্লে।

বোম পোকখায়রিবা নাগামপাল ফৌগৈশংবম মপাদগীনা খোয়াথোং ফাওবা ষ্ট্রীট লেম্প অমত্তা থান্দবগী মতাংদা পাউচে অসিনা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, লাক্লিবা নবেম্বর ১ দগী থাঙ্গাল কৈথেলদা গাড়ী অমত্তা চঙহল্লরোই। খোঙনা চৎপা য়াবা মফম ওইহল্লগনি। মফমদুদা থারম্বা গাড়ী পুম্নমক নাগা নালাদা পার্কিং ওইহল্লগনি। মীয়ামগী খূদোংচাননবা মৈ থান্দবা য়াদবনিনা অথুবা মতমদা মফমশিং অদুদা মৈ থান্নবা পোষ্ট য়ুংলগনি অমসুং মৈ পীবগী থবক হৌরগনি।

কোংগ্রেসনা মহাকপু চহী ১৫ পার্টি অসিদা য়াওরম্মী অমসুং মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুরম্বগী ৱাফম পুশিল্লক্লগা হুল্লকপগী মতাংদা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, চুম্মী মহাক কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা চহী ৭ মিনিষ্টর ওইরম্মী। অদুমকপু মহাক্কী চহী অমা মখায়গী লৈঙাক অসিদা তৌখিবা থবকশিং অসিগুম্না মমাংদা থবক তৌবা ঙমখিদে। মহাক্না মখোয়গা করি মরী লৈনরম্বগে হায়বা ময়াম্না খঙলমগনি। হৌজিক্তি হুন্নবগী মতম নৎত্রে। ঐখোয়দি মাংলোমদা চঙশিল্লগনি।

মহারাষ্ট্রদা জর্নেলিষ্ট প্রোটেক্সন এক্ট শেমখিবগুম্না মণিপুরদসু শেম্বা য়ারোইদ্রা হায়না হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, লৈঙাক অসিনা লৈরিবসি কাঙলূপ খূদিংমক ঙাক শেন্নবনি। ঐখোয়বুসু ঙাক শেনবীয়ু, নখোয়বুসু ঙাক শেনগে।

# ডা. সোইবম ইবোচা অমসুং ওইনাম সুনিল ষ্টেট ইনফোর্মেসন কম্মিস্নরশিং ওইনা ৱাশক লৌখ্রে



ইম্ফাল, ওক্তোবর ২২ (ঐচ এন এস): থবক্তগী পোত্থারবা আই পি এস ওফিসর ডা. এস ইবোচা অমসুং মতম শাংনা পাউমীগী শিনফমদা লৈরম্লবা ওইনাম সুনিলবু ষ্টেট ইনফোর্মেসন কম্মিস্নরশিং ওইনা থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা ঙসি লৌখ্রে।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অদু ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবদা রাজ ভবনগী দরবার হোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন, দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম জয়কুমার, মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ, সী এ এফ এন্দ পি দিগী মিনিষ্টর করাম শ্যাম, এম এল এ, এন ইন্দ্রজিৎ, এম এল এ, এল সুসিন্দ্রো, দি জি পি, এল এম খৌতে, চীফ ইনফোর্মেসন কম্মিস্নর টি ঐচ ইবোবীনচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

ৱাশক লৌবা লোইরবা তুংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা পাউমীশিংদা হায়খি, লৈঙাক অসি চীন্না হায়বা ঙাক নৎতনা থবক ওইনা উৎলি হায়বদু কম্মিসনগী মেম্বরশিং হাপ্লিবা অসিনা তাক্লবনি। লৈঙাক অসিনা পায়খৎলিবা থবকশিং করি-করিনো অমসুং মীয়ামগীদমক করি তৌরিবগে হায়বা মখোয়না খঙজবা য়াবগী খূদোংচাবা মপূং ফানা ফংহন্নবগীদমক ইনফোর্মেসন কম্মিসন নীংথিনা মথৌ তৌহন্নবগী পান্দমদা মপূং ফাবা কম্মিসন অমা লৈহন্নবা লৈঙাক্লা ৱারেপ লৌখিবনি। হৌজিক্তি মীয়াম্না পাম্বা ঈ-পাউ খূদিংমক কম্মিসন অসিগী খুত্থাংদগী ফংলগনি।

ইনফোর্মেসন কম্মিস্নর ওইনা থবক পায়বগী ৱাশক লৌখ্রবা ডা. সোইবম ইবোচানা পাউমীশিংদা হায়খি, মীচম মীয়াম্না পাম্লিবা ঈ-পাউ খূদিংমক মহাক্না ফংহন্নবা হোৎনগনি। ষ্টেট অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খূদিংমক্কী মীওইশিং অমগা-অমগা হেন্না ফবা মরী লৈহন্ননবা হোৎনগনি।

ষ্টেট ইনফোর্মেসন কম্মিস্নর ওইনাম সুনিলনা হায়খি, ঙসিগী নুমিৎ অসি মরুওইনা পাউমী ফেটর্নিটিশিংগী ওইনদি য়াম্না চাওথোকচনিংঙাই অমনি। নোর্থ ইষ্টতা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

# মোবাইল প্লান্ট হেল্থ ক্লিনিক লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২২ (ঐচ এন এস): লৌফমশিংদা তিন তারকপদা মতম চানা তিলহাৎ হীদাক কাপথোক্তুনা ফৌ পাম্বীশিং কলহৌনবগী পান্দম মখাদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা মোবাইল প্লান্ট হেল্থ ক্লিনিক লোঞ্চ তৌখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী সঞ্জেন্থোংদা লৈবা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিস কমপ্লেক্সতা ঙসি এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (এগ্রি) লেটখোগিন হাওকিপ অমদি দিপার্টমেন্ট অসিগী দিরেক্টর ফেরোইজম রাজেন্দ্রনা মোবাইল প্লান্ট হেল্থ ক্লিনিককী গাড়ীশিং লমথাখি।

ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা শীজিন্নগদবা গাড়ীশিং অদু লমথারবা তুংদা পাউমীশিংগা উনবদা এগ্রিকলচর দিরেক্টর রাজেন্দ্রনা হায়খি, চহী অসিদা লৌউ-শিংউগী থবক্তা লৌমীশিংনা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। লৌফমদা ঈশিং কংবগী অৱাবসু থেংনরি। মরকসিদা হৌজিক মফম খরদা লৌদা তিন তাবগী রিপোর্ট খরসু লাক্লি। আর্মি ৱার্ম হায়রগা খঙনবা নুমিদাংগী মতমদা পাক্তক্লনা ফৌ চিকথৎপা তিন মখল অসিদগী ঙাকথোক্লবা হীদাক মখল কয়া লৈরে। প্লান্ট হোপ্পর হায়রগা খঙনবা তিন মখল অসিনা ফৌ মখোঙদগী মতোন ফাওবা চুপথোকপগী ফীভম থেংনৈ। তিন মখল অসিদগী ঙাকথোক্লবা হীদাকশিংসু লৈ।

ঙসি লমথারিবা মোবাইল প্লান্ট হেল্থ ক্লিনিক্কী গাড়ীশিং অসিদা হীদাক-লাংথক অমদি লৌউ-শিংউ দিপার্ট-মেন্টকী ওফিসলশিং য়াওগনি। ওফিসলশিং অসিনা মফম-মফম কয়াদা চৎতুনা রিপোর্টশিং লৌখৎপগা লোয়ননা তিন তাবা মফমদা তিল হীদাকশিং লৌমীশিংদা ফংহন্দুনা কাপথোকহনগনি। পম্পনচিংবশিংসু সবসিদাইজ রেটতা ফংগনি।

হন্দক চহী অসিদা লৌফম কয়াদা ঈশিং কংবগী অৱাবা থেংনবা অসিদা ফৌথোক হন্থরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মফম-মফম কয়াদা চৎতুনা এসেসমেন্ট য়াম্না কন্না চথুরি। ফৌ লোকপা হৌনবা খরসু য়াওরে। চহী অসিগী ফৌথোক অসি কয়া য়াম্না থোকপগে হায়বদু রিপোর্ট লৌখৎকনি। এসেসমেন্ট চথুরিবা অসি নুমিৎ খরনিগী মনুংদা লোইশিল্লবা য়াই হায়নসু মখা তাখি।

# জজ ৫,১৩৩গী ফম হাঙলকপদা সুপ্রিম কোর্টনা নুংঙাইতবা ফোঙখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্তোবর ২২ (এজেন্সি): হায়র জুদিসল সার্ভিস অমসুং লাৱর জুদিসল সার্ভিসতা জজ ৫,১৩৩গী ফম হাঙদুনা লৈবগী থৌওংবু সুপ্রিম কোর্টনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে। হৌজিক হৌজিক জুদিসল ওফিসর ৪,১৮০ লৌনবগী মতাংদা পায়খৎলিবা থৌরাং মতম তেনশিলহনবা য়াব্রা হায়না সুপ্রিম কোর্টনা হায় কোর্ট অমদি ষ্টেটশিংগী পাউখুম কৌখ্রে।

লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈবা সবোর্দিনেট কোর্টশিংদা অহাঙবা ফম কয়ামরুম লৈবগী মতাংদা সু মোটু কেস লৌখৎলদুনা চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোই অমসুং জষ্টিস সঞ্জয় কিসন কোলনা অথুবা মতমদা হায় কোর্ট অমদি ষ্টেট খূদিংমক্লা পাউখুম পীরক্কদবনি হায়না খঙহনখি।

ওক্তোবর ৩ দা জষ্টিস রঞ্জন গোগোইবু ইন্দিয়াগী চীফ জষ্টিস ওইরকপদা হরাওবা ফোঙদোক্তুনা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমদা জষ্টিস গোগোইনা হায়খি, থা অহুম/মরিগী মনুংদা লাৱর কোর্টশিংগী হাঙদুনা লৈরিবা ফমশিং মেনশিন্দুনা পন্দুনা লৈরিবা কেস ক্রোর ২.৬ অথুবা মতমদা লোইশিলহন্নবা হোৎনরগনি।

হৌজিক-হৌজিক হায়র জুদিসল সার্ভিস লাৱর জুদিসল সার্ভিসকী ফম ৪,১৮০ মেনশিন্নবগী মতাংদা লৌখৎলিবা রিক্রুইটমেন্ট প্রোসেসকী মরমদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# ওক্তোবর মাস রেল্লি শৌগৎনরক্লি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২২ (ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)না শীন্দুনা থা অসিগী ৩১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওক্তোবর মাস রেল্লিদা শরুক য়াগনি হায়না লূপ কয়ানা ফোঙদোক্লরক্লি।

মণিপুরী চনুরা লৈশেম মরূপ (মচা লৈমা)গী প্রসিদেন্ট পি ঐচ ববিতানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, চহী লিশিং কয়া এসিয়াদা মতিক মঙাল নাইনা লৈরম্বা ইরৈবাক অসিগী মতিং থুদেক্তুনা ঐখোয়গী শাগোন্নরক্লবা নেসনল কেরেক্টর মাঙহন্ননবা মীৎয়েংদা পূন্না হিংমিন্নরিবা ইচিল-ইনাও ঐখোয়গী মরক্তা খাইবুং-খাইবুং তাননবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা শীল্লকপা থৌরাংশিংগী মায়োক্তা ঐখোয় পূন্না লেপমিন্নদুনা থেংনমিন্নবা মথৌ তারে।

কংলৈপাক অপূনবা শীনপাং লূপ (কসিল)নসু য়ু সী এমগী ওক্তোবর ৩১ গী রেল্লি অসি শৌগৎকনি হায়না লূপ অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এম মেম্মনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অসিনা হায়, ইরৈবাক কনবনা তঙাইফদবা ইথৌদাংনি হায়না খনবা হায়বসিদা মীৎয়েং থল্লগা রেল্লি অসি শরুক য়াগনি। অমরোমদা, কসিল খ্বাই বজার টিম শেন্লে হায়না লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। টিম অসি মীওই ১০ না শাগনি। মখোয়গী মনুংদা য়ুম্নাম ইবেমহল, লৈম-পোকপম নন্দিতানচিংবা য়াওরি।

ওল ইন্দিয়া তাঞ্জিম-ঈ-ইনসাফ, খোইরোম নুপী মরূপ য়াইরিপোক অমসুং সিঙ্গা আইদিএল ক্লব য়াইরিপোক্লসু ওক্তোবর মাস রেল্লি শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# নাৎকী ওইবা মরুওইবা ফি মখলশিং রেজিষ্টর তৌবগী তঙাইফদবা লৈ : লৈশেম্বা সনাজাওবা



ইম্ফাল, ওক্তোবর ২২ (ঐচ এন এস): লমদম অসিগী নাৎকী ওইবা মরুওইবা ফি মখলশিং অতোপ্পা কাঙলুপশিংনা মখোয়গীনি হায়না ক্লেম তৌরক্তনবা অমসুং ঐখোয়গীনি হায়বা খঙনবগীদমক রেজিষ্টর তৌবা তঙাইফদে হায়না মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ফোঙদোকখ্রে।

দাইরেক্টোরেট ওফ হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইল গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইল, ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাওন্দদা ঙসি পাঙথোক-খিবা মেরা হৌ চোংবা ফেষ্টিভেল ফ্যের ২০১৮ হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

নুমিৎ ৭ নি চুপ্পা চথগদবা মেরা হৌ চোংবগী ফেষ্টিভেল ফ্যের ২০১৮ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়খিবদা লমদম অসিগী ইপা-ইপুশিংগী হাক্তক্তগী লৈরল্লবা নাৎকী ওইবা মরু ওইবা ফি মখলশিং অতোপ্পা কাঙলুপনা মখোয়গীনি হায়বা য়াদনবা রেজিষ্টর তৌদুনা থমহৌগদবনি। করিগুম্বা কাঙলুপ অমনা মখোয়গীনি হায়দুনা রেজিষ্টর তৌখিবা তারগদি মতম কয়াগী মমাঙদগী ঐখোয়গীনি হায়না লৈরিবা মরু ওইবা ফি মখলশিং অসিগী মপু ওইরম্বা অদু মাঙখিনি হায়বগী অকিবা লৈরে।

মহাক্না হায়, ঙসি হৌদোক্লিবা ফেষ্টিভেল ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# পেরিসকী ৱর্ল্ড ফূদ এগজিবিসনদা বিস্বজিৎ শরুক য়ারি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২২ (ঐচ এন এস): ফ্রান্সকী পেরিসতা পাঙথোক্লিবা এস আই এ এল-২০১৮ ৱর্ল্ড ফূদ এগজিবিসনদা কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর থোঙাম বিস্বজিৎ অমসুং প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (টেক্সটাইল, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ) পি ৱাইফেসু শরুক য়ারি।

ফূদ প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রিজগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট হরশিমরট কোরনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী মীহুৎ কাঙবু অমদা মিনিষ্টর বিস্বজিৎ অমদি প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি পি ৱাইফে য়াওরি।

এস আই এ এল-২০১৮বু মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা ফূদ প্রোসেসিং সেক্টরগী এগজিবিসননি



হায়না লৌনরি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী কিষান সম্পাদা থৌরাংগী মখাদা দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রেদ, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজনা হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন দিপার্টমেন্টকা খূৎশম্নদুনা ষ্টেট অসিগী ওর্গানিক ফূদ প্রদক্টশিং মপান্দা খঙহন্নবগী খূদোংচাবা অমা এগজিবিসন অসিনা পীরগনি।

মিনিষ্টর বিস্বজিৎনা ষ্টেট অসিদা লৈঙাক্কী মতেংগা লোয়ননা ফূদ প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রিজ সেক্টর চাউখৎ-হন্দুনা লৌমী অমদি ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিংগী শেন্থোক হেনগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি। কোল্ড ষ্টোরেজ, ফূদ প্রোসেসিং অমদি মতমগা চুনবা অনৌবা টেক্নোলোজিগী খূদোংচাবা লৈতবনা পোথোক কয়ামরুম অরেম্বদা মাঙলিবা অসিদগী কন্নবসু হোৎনগদৌরি। ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভম ফবা অমসুং লৈহাও ফবা ষ্টেট অসিদা সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা ওর্গানিক ফার্মিং তৌদুনা লৌউ-শিংউগী পোথোক পুথোক্লগা শেন্মীৎ-লোন ...মখা লামায় ৩ কলম ১




HL-B/5552/21/10-20/11